# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 26-06-2025)

**সিএম (এল)ঃ** মনিপুরদা নিয়মগী ৰাংমদা অনৌবা খুল কয়া শেমগৎলকপা অমসুং ভিলেজ চীফশিং নৌনা হাপচিল্লকপগী থৌওং অমা চথ্নরক্লিবা অসি য়েংশিনবীনবা মনিপুরগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাদা অইবা চেরোল অমা পীশিনদুনা তকশিনখ্রে।

শ্রী বিরেননা রাজ্যপালদা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা, নিয়মগী ৰাংমদা অনৌবা খুল কয়া শেমগৎখ্রবগে অমদি অনৌবা ভিলেজ চীফ কয়া হাপখ্রবগে হায়বদু নীংথিনা থিদোকবা ওদিত তৌনবা তকশিল্লি। কেন্দ্র সরকারগী গেজেট নোটিফিকেসন অমদি মনিপুর বিধান সভাগী রুল ওফ প্রোসিদর এন্দ কন্দক্ট ওফ বিজিনেসনা পীরিবা নিয়মশিংগী ৰাংমদা অসিগুম্বা থবক কয়া চথ্নরকপা অসি মনিপুরগী য়েলহৌমীশিংবু নাথৈদুনা থমবা থৌরাং অমরা হায়বদু নীংথিনা য়েংশিনবা চংই। হীরম অসিদা রাজনিতি তৌবগী মহুৎতা ইরমদমগী শক্তম কলহৌবা হায়বসি তঙাইফদে হায়নসু শ্রী বিরেননা মখা তানা ফোংদোকখি।

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুরগী ইরাং লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথ্নবদা লালহৌবা অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা লেপত্রি।

পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-ইন্টিলিজেন্সতগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোম্পাৎ সোইবম লৈকাইদা থিবা হুম্বগী থবক চথ্নখি। মদুদা, সরকারগা শান্তিগী ৰারী শান্নরিবা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী মীওই অমা মশাগী ময়ুমদগী ফাখি। মঙোন দগী নাইন এম.এম. পিষ্টোল অনি, মেগজিন অনি অমদি কাপ্পা য়ারিবা মরু ১৭ ফাগৎপা ঙমখি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়-থা অসিগী ২৪ দা সেক্যুরিতি ফোর্সকী

অপুনবা কাংবু অমনসু বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চনবা লোক্তাক পাৎকী চম্পু খাঙপোক্তা লৈবা শঙ অমদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমসু ফাখি। ফারবা মীওই অদু ত্রোংলাউবী মখা লৈকাইদগীনি। মঙোন্দগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু অনি ফংখি। ফারবা মীওই অদুনা হায়দোরকপগী মতুং ইন্না নাচৌ অৱাং লৈকাইদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া অমসু ফংখি। খুৎলায়শিং অদুদা এম.এ. ৱান রাইফল অমা, মেজিন অহুম, ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্সকী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৩১ অমসুং মেগজিন য়াওবা এস.এম.জি. করবাইন অনি য়াওরি।

অমরোমদা, আইননা য়াদবা মীওইশিংনি চিংনবশিংনা হুরানখিবা গাড়ি অমা মনিপুর পুলিসনা ফাগৎখ্রে। লোয়ননা গাড়ি অচৌবশিংগী মিংসেলদা অমুবা ফিল্মশিং নপ্পা গাড়ি ২৪ সু লৌথোকহনখ্রে।

**কাং (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা মহৌশাদগী চৎনরকপা চৎনবী অমসুং লাইনিং লাইশোনগী থৌরমশিংগা লোয়ননা কাং চিংবা রথজত্রাগী থৌরম হয়েং মপুং ফানা পাঙথোকবা শেম শারে।

পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা শ্রীশ্রী গোবিন্দজিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ব্রহ্মা সভা ধর্ম্ম চক্ররবতি রতাগী ফম পুরিবা ফুরাইলাৎপম জয়দেব শর্ম্মনা হায়-থৌরম অসি পাঙথোকবগীদমক শেম শাবগী থবক থৌরমশিং অয়াম্বনা লোয়শিল্লক্লে। থৌরম অসিদা রাজ্য অসিদা লৈরিবা জাতি কাংলুপশিংনা অমত্তা ওইনা পুন্না শরুক য়ামীন্নদুনা ইং-তপ্পা লমদম অমা ওইহন্ননবা থৌমীন্নসি।

**চান্দেল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি চান্দেলনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা জিলা থাক্কী ফেমিলি প্লান্নিং লোজিষ্টিক মেনেজমেন্ট ইনর্ফোমেসন সিষ্টেমগী ত্রেন্নিং অমা ঙরাং পি.ঐচ.সি. কোমলাথাবীদা পাঙথোকখ্রে।

ত্রেন্নিং অদুদা ফেমিলি প্লান্নিংগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার-ডা: আর.কে. রোজি অমসুং কন্সলটেন্ট-বির কুমার অরাম্বমনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট ইম্যুনাইজেসন ওফিসারনা হায়-ত্রেন্নিং অসি মরুওইনা জিলা অসিদা অনা লায়েংগী লমদা থবক তৌরিবশিংনা ফেমিলি প্লান্নিং লোজিষ্টিক মেনেজমেন্ট ইনর্ফোমেসন সিষ্টেমগী এপ্লিকেসনশিং শিজিন্নবদা চংবা স্কিল অমদি নোলেজশিং পীনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

**সেভক (এল)ঃ** ২৫ শুবা বি.আর.টি.এফকী প্রোজেক্ট সেভক, বোর্ডর রোড ওর্গনাইজেসন (বি.আর.ও) গী মেদিকেল কাংবু অমনা শিন্দুনা চুরাচান্দপুর জিলাগী সোংদাই খুলদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুদা সোংদাই, স্বাংদো অমসুং নালজাং খুলগী খুঙ্গা নুপী অমদি অঙাংশিং য়াওনা মীওই ১৬৫ লায়েংখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা আর্মিগী ডাক্তরশিংনা কোবিদ অমদি তিন-কাংনা চিকপদগী নাগনবা লায়নাশিং মতৌ করমা ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা খুঙ্গাশিংদা খঙহনখি।

**স্কুল (এল)ঃ** শক্তিগী মঙাল অমসুং রাজ্য ভিলেজ লেবেল ফেদরেসন-কৈবী, কুমুদা অমসুং তরেৎ খুলনা শিন্দুনা ঙরাং কৈবী কুমুদাদা বেগ টু স্কুল কেম্পেইন হৌদোকখ্রে।

কেম্পেইন রাজ্য সরকারগী রুরেল দিবলপমেন্ট অমদি পঞ্চায়েটি রাজ বিভাগকী তেংবাং মখাদা কাইফদবা লন ৱিমেন মল্টি পরপজ কোওপরেটিব সোসাইতি লিমিটেদ অমসুং ক্লস্তার লেবেল ফেদরেসন-খুন্দ্রাকপমনা পায়খৎপা থৌরাং অমনি।

**সিবিএসইঃ** সেন্ট্রেল বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন (সি.বি.এস.ই) না লৌবা ক্লাস টেন পরিক্ষা মথং চহিদগী হৌরগা চহি অমদা অনিরক পাঙথোকবা

সি.বি.এস.ইনা ৱারেপ লৌখ্রে।

অনৌবা চৎন-কাঙলোন অসিগী মতুং ইন্না ক্লাস টেনগী পরিক্ষা ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোক্কনি। অদুগা মে থাদা অমুক্কসু পাঙথোক্কনি। মে থাদা পাঙথোকপা পরিক্ষা অসিদা সবজেক্ট অহুমগী মনুংদা সাইন্স, মেথমেটিক্স, সোসিএল সাইন্স অমদি লেঙ্গৈইজকী ইমপ্রুবমেন্টসু থাবা য়াগনি। পরিক্ষা অনিমক্কী ফল এপ্রিল অমসুং জুনদা লাউথোক্কনি।

কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি-ধমেন্দ্র প্রধাননা হায়-অনৌবা খোঙথাং অসি মহৈরোইশিংনা পরিক্ষা থাবদা নুংনাংবা কয়া পোল্লিবা অদু হন্থহন্নবা লৌখৎপনি। মসিনা মহৈরোইশিংনা লায়না অমসুং মশাদা নুংনাংবা লৈতনা পরিক্ষা থাহনবা ঙম্লগনি। মসি নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ গী মখাদা পায়খৎপা থৌরাং অমনি হায়নসু মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**রাজনাথঃ** চাইনাগী কিংদাউদা ঙসি পাঙথোক্কদবা ঙাকশেল মন্ত্রিশিংগী মীফমদা কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ শরুক য়াগনি। মহাক ঙরাং নুমিদাংৱাইরম চাইনাদা থুংখ্রে।

মীফম অদুদা মালেমগী ওইনা শান্তি পুরকবা, টেরোরিজম মপুং ফানা লাকশিন্নবা অমদি লৈবাক অমগা অমগগী মরক্তা তেংবাং পীনবগী ৱাফম খন্নগনি। শ্রী রাজনাথ সিংহনা মীফম অদুদা লৈবাক অসিনা মালেমদা শান্তি পুরক বা হোৎনরিবা অদুদা অতৈ লৈবাকশিংনা তেংবাং পীবিনবা তকশিল্লবা য়াই। মসিগী মথক্তা ভারতকা অতৈ লৈবাকশিংগগী মরক্তা লল্লোন ইতিক্কী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা তেংবাং পীনবগী ৱাফমসু পুথোক্কুনা খন্নরবা য়াই হায়রি।

মীফম লোইরবা তুংদা শ্রী রাজনাথ সিংহনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী ঙাকশেল মন্ত্রিশিংগা উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়া খন্নগদৌরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা রাজ্যগী থাক্তা কন্সটিটুৢসন এসাসিনেসন ডে পাঙথোকপা, কাংপোকপীদা এন.আই.এ. অমদি সি.বি.আইনা ক্কি মিলিটেন্ট টশিং ফাবগী মায়োক্তা রেল্লি চৎখিবা অমদি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি মথং থাদা লাক্লবা য়ারি হায়বা পাউনা মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

ষ্টেটকী থাক্তা বি.জে.পিনা শিনদুনা সংবিধান হত্যা দিবস পাঙথোকখিবগী পাউগা লোয়ননা বি.জে.পিগী এম.এল.এশিং তুমিন্না লৈবা নত্তে। অশোনবা ওইনা উবনি হায়বা এম.এল.এ. থোঙাম বিশ্বজিৎকী ৱাফম পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনা লৈবাক্তনা কন্সটিটুৢসন কনবা হায়বসি খুদিংমক্কী থৌদাংনি হায়বা এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরি ফাইনান্স-বিভেক কুমার দেৱানগনগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি গানফিয়ু মেল অমদি তমেংলোং টাইমতসু অহানবা লামাইদসু হেদলাইন তৌবা থেংনরি। বিমোলনা এম.পি. ওইনা ৱাশক লৌখিবা চহি অমা মপুং ফাবগী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে হায়বা সব-হেদলাইনগা লোয়ননা ঐনা চীফ মিনিস্তর ওইরবদি দিল্লিগী চাবীদা চৎলোই হায়বা এম.পিগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সংবিধান হত্যা দিবসকী পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরি। সনা লৈবাক্তা-লাক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি.জে.পিনা সিট ৪০ ফংগনি হায়বা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগী ৱাফমগা লোয়ননা তম্পাক্কী সি.এস.ওশিংগা ৱাখল তামীন্নরে। করিসু থোইদোকপা তৌদৌ মানদ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ফৌদি হুনবগী অনৌবা খুৎলায় চাংয়েং তৌবদা মায় পাকপা ঙমলে হায়বা অখন্নবা পাউদম অমা পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

কুকিশিং ফাবগী মায়োক্তা কাংপোকপীদা রেল্লি চৎখ্রে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি, পিপলস ক্রোনিকলদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি

অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মনিপুরি এদিসনদা-পি.এম. নরেন্দ্র মোদি মথং থাদা লাক্লবা য়ারি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। ইম্ফালদা টেক্সতাইল পার্ক শেমগৎলগনি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমাইদা ফোংবা থেংনরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

কোবিদ টেষ্ট তৌবা অমসুং হিদাক কাপথোকপগী থবক পুন্না কমপ্লেক্স অমত্তদা পাঙথোক্কদৌরি হায়বা পাউনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

সি.বি.এস.ইনা চহি অমদা ক্লাস টেনগী পরিক্ষা অসি অনিরক পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-মীতৈ সি.এস.ওশিংগা জন্ ২৭ তা দিল্লিদা লেপ্লম্বা হোম মিনিষ্ট্রিগী মীফম জন্ ৩০ দা য়ৈথোরক্লে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এম.পি. ডা: বিমোলনা মহাক্কী এম.পি. লোকেল এরিয়া দিবলপমেন্ট ফন্দগী রেড ক্রোসতা এম্ব্যুলেন্স তরেৎ খুৎশিন্নখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম লৌথোকখিবা অমসুং ঙমখৈ শম্বল খাবগী থবকা ফুরুপশিংগী মরীদা অকায়বা পীরে হায়বা অন্সমগী ব্রাফম হিন হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-আউটর মনিপুরগী এম.পি. অলফেদ কাংঙম এস. আথরনা তমেংলোং-তৌসেম লম্বীগী ফিভম য়েংশিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।